# অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংদা খেন্নবা মীৎয়েংনা য়েংবগী মায়োক্তা এমঐচএনা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মে ১৯ঃ*** অৱাং নোংপোক লমদমগী ইন্দিয়ান সিটিজনশিংনা মায়োক্নরিবা খেন্নবা মীৎয়েংনা য়েংবগী প্রোব্লেম অসি অকনবা মওংদা থেংননবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিৎতা ষ্টেটশিংগী মফমদা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট পুন্নমক অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা থাখিবা এদভাইজরি অমদা এমঐচএ না আইনগী এক্সন লৌখৎপা য়াবা, অৱাং নোংপোক লমদমগী প্রজা অমদগী ফংবা ইনর্ফোমেসন নত্রগা কমপ্লেন অমদা থবক লৌখৎতবা তারবদি পুলিস ওফিসারশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা য়াওনা অকনবা থবক কয়া পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

খোঙথাং অসি জাতি খেন্নবগী মীৎয়েংদা ভিক্তিম ওইখিবনি হায়নরিবা, হৌখিবা এপ্রিল থাদা গুরগাউন অমসুং বেঙ্গালুরুদা অৱাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোই অনি- দানা সংমা অমসুং রিচার্দ লোইতাম শিখিবা মতুংদগী পায়খৎলকপনি।

এমঐচএ না হায়খি, করিগুম্বা আইনগী মতুংইন্না থবক লৌখৎপা য়াবা কমপ্লেন নত্রগা ইনফোর্মেসনশিং অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওই অমদগী ফংবা মতমদা পায়খৎফম থোকপা থবক অদু পায়খৎত্রবদি মরী লৈনবা পুলিস ওফিসার অদুগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎপদা নত্তনা পুলিস ষ্টেসন অদুগী ওফিসার ইন চার্জ অদুগী মথক্তসু অকনবা মীৎয়েং চংগদবনি।

করিগুম্বা কমপ্লেন তৌরক্লিবা মীশক অদু সেদ্যুল ত্রাইবকী মীওই অমা ওইবা তারবদি এসসি/ এসটি (প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিটি) এক্টকী সেক্সন মরিদা য়াওরিবা প্রোভিজন অদু পানগদবনি। সেক্সন অসিনা এসসি নত্রগা এসটি কম্যুনিটিশিংগী মীওই অমা নত্তবা অমসুং এক্ট অসিগী মখাদা মথৌ পাঙথোকপদা থৌশাদবা পব্লিক সার্ভেন্ট অমবু থা তরুক্তগী চহি অমা ফাওবা জেলদা থম্নবা খঙহল্লি।

কমপ্লেন তৌরক্লিবা মীওই অদু মরী লৈনবা মফম অদুদা লোন্নরিবা লোনশিং অদুদা ৱারী শান্নবা ঙমদবা য়াবগী ওইথোকপসু লৈবা মরমনা ইংলিস লোন নিংথিনা ঙাংবা ঙম্বা ওফিসার অমা থম্বা টোল-ফ্রি হেল্প লাইনশিং লিংখৎকদবনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক লমদমদগী লাকপা মীওইশিংগী মফমদা করেম-কথাইনদুনা এটেক তৌবা, মোলেষ্টেসন অমসুং মীওৎ-মীনৈগী থৌওং কয়া চত্থরে হায়বা রিপোর্টশিং চিঠি অদুনা পনখ্রে। থৌওং অসিনা অৱাং নোংপোক্তগী লাকপা মীওইশিংগী পুক্নিংদা পেন্দবা অমসুং নুংনাংবা ৱাখল অমা পোকহল্লে হায়না এমঐচএ না খঙহনখ্রে।

## মণিপুরী অমসু মোলেষ্ট তৌখ্রে

***গুরগাউন, মে ১৯ঃ*** মেইলেন্দ ইন্দিয়ানা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং হন্থনা অমসুং তাথি -তাওইনা তৌই হায়বগী অকনবা ঈহৌ লৈরিঙৈ চৈরক্তা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.৪৫ রোম তাবদা দিল্লিগী গুরগাউন্দা মণিপুরদগী নুপী অমা মোলেষ্ট তৌখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু গুরগাউন পুলিসনা ফারবসু খুৎপাক্লা থাজিন্নরগা থাদোকখ্রে। হৌজিক ফাওবা এফআইআরনচিংবা অমত্তা লৌবা লৈত্রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ভিক্তিম অদুনা মহাক শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.৪৫ রোম তাবদা থবক লোয়দুনা ময়ুমদা মনাওনুপী অনি অমসুং মৌপ্বা অমগা হল্লকপদা চক্রপুর এরিয়াদা লৈবা মশাগী ফ্লেট মনাক্তা মৈ মুৎখি। তাঞ্জাদুদা প্রদিপ কৌবা এরিয়া অদুদা লৈবা মীওই অসিনা চংশিল্লক্লগা মহাকপু কোনশিল্লকখি। মদুদা মহাক তুশিনখিবগা লোয়ননা নুপা অদুদা খুৎ থানবা লাক্লখি। অদুবু মহাক্লা চেক অমা খুনগৎলগা থবাক্তা থোম্নবা তৌরকখি। অদুবু চেক অদুনা মহাক্কী পাম্বোম, খুকউ অমসুং খুৎশা খরদা অশোক-অপন নংহনখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মতুংদা পুলিস কৌবদগী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা পিসিআর অমা লাকখি। অদুবু এসআই অদুগা কন্সটেবল অদুগনা এক্যুজ অদু খুৎপাক্লা খরা থারগা থাদোকখি, এফআইআর লৌখৎপদি তৌখিদে। তাঞ্জা অদুদা মণিপুরদগী লাকপা মীওই খরসু মফম অদুদা চংশিল্লকখি। মহাক্কী মৌপ্বা নুপা অদুদা এফআইআর করিগী লৌখৎত্রিবনো অমসুং এক্যুজ অদু করিগী থাদোকখিবনো হায়না হংবদা পুলিস ওফিসিয়েল অদুনা জাৎ খেন্নবগী করেম্নবা ৱাঙাং কয়া ঙাং শকখি। মদুগীসু মথক্তা এসআই অদু নেম প্লেট থেৎপা তৌখিদে অমসুং মশানা মশাবু রাজিব কৌই হায়না শক্তাকচখি। অদুবু ৱাফম অসি মতুংদা অরানবা ওইরম্বা থেংনখি হায়খি। মথংগী নুমিৎতা পুলিস ষ্টেসন চেক তৌরুবদা মহাক্কী অশেংবা মমিং অদু এসআই ক্রিসনকুমার কৌই হায়বসি খঙবা ঙমখি। এসআই অদুনা ভিক্তিম অদুদা থৌদোক থোকপা মতম অদুদা ডাক্তরশিং তুম্নখ্রে। মরম অদুনা মহাকসু য়ুমদা হল্লো হায়নসু খঙহল্লকখি। মশাগী অশোকপশিং অদু হোস্পিতালদা লায়েংলবা মতুংদা এফআইআর লৌখৎখিবদু পুং ৮.৩০ হৌখ্রবা মতুংদনি। অদুবু পুলিসনদি এফআইআর লৌখৎপদা মতম চোহ্নখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি হায়রি।